# শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা থেবা লোয়বা

ডো: সরাংথেম জেসমারানি

ঐখোয়গী লমসিদদি থেবা লোয়বগী মওংসি অয়াম্বনা শো/দেকোরেটিভ পর্পজকী ওইনা লোয়নৈ। মসি লোয়বগী কান্নফম খঙনা য়োকপা মীওইগী মশীং তাঙডি। থেবদগী ঐখোয়না ফংবা য়ারিবসি চানবা মশা, মতু অমদি মউননি। থেবা মশাসি প্রোটিন য়াম্না য়াওই। প্রোটিন মরাং কায়না ফংদবশিংদি থেবগী মশাসি চাবদা প্রোটিন খরগী মখৈদি ফংবা ঙমগনি।

থেবা লোয়বদা য়াম্না কা হেন্না শেল চঙদে। মখোয়দি মনা-মশিং কয়া অমা চাদুনা মবুক থনবা ঙম্মী। মখোয়গী খ্বাইদগী ঙকপা অমনা মখোয়না ফায়রকপা অমাংবসি অমুক হন্না চাশিনবা ঙম্মী।

**মকোন শাবা ঃ**

থেবনা লৈনবা মকোন শাবা মতমদসু শেল ইচঙ চঙদনা শাবা য়াই। মকোন শাবা মতমদা লৈগদৌরিবা থেবশিংদুনা নুংঙাইনা কোম্না লৈনবা মওংদা শাবীগনি। মফমসিদা ফংলিবা থেবশিং অসিগী লুম্বগী চাংসি চাউরাক্লা কেজি ২.৫-৪ ফাওবনি। থেবা অমমমতং থম্বীগে হায়রগদি মরাক্লা ৮০ সি এম, মনুংনা ৩০ সি এম অমদি অৱাংবনা ৬০ সি এমনি। করিগুম্বদা মখোম খায়বদা ঙাইরিবা থেবশিংসি পূন্না থম্বীগে হায়রগদি কেজি অমা লুম্বদা ০.২ মী২ গী চাংদা থম্বীগনি। মখাগী টেবলসিদা থমজরিবসি মখোম খায়বদগী কেজি ২ লুম্বা ফাওবা থম্বা য়াবগীনি।

**টেবল - ১ ঃ**

| কেজি ২ ফাওবা লুম্বগী থেবা মশীং | পাক চাউবা | এরিয়া মী২ |
|---|---|---|
| থেবা ৫ | ২ মী x ১ মী | ২ |
| থেবা ১০ | ২ মী x ২ মী | ৪ |
| থেবা ১৫ | ২ মী x ৩ মী | ৬ |
| থেবা ২০ | ২ মী x ৪ মী | ৮ |

থেবশিংসি শাবগী চাং ৱাংলগদি খাঙবা ঙমদে। মখোয়দা নুংঙাইনা লৈবা ঙম্বা শাবগী চাংসি ১০-২০০সি ফাওবনি। মখোয়না অইংবা খাঙবা ঙম্মী অদুগা শাবদি খাঙবা ঙমদে। থেবগী মকোনসি নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংবা মফমদা ওইনা থম্বীগনি। মকোন থম্বগী মায়ওনসিসু নোংপোকলোমদা ওইনা ওনবীগনি। মপী ফারবা থেবশিং লাবা অমদি অমোমগা খক থম্বীনরোইদবনি।

**মচিঞ্জাক পীজবা ঃ**

থেবশিংসি মখল খুদিংগী মচিঞ্জাক পীজবা য়াই। যূমগী এঞ্জাং নাপী অরেম্বশিং, মনা মশিং ময়াম অমসু পীজবা য়াই। পীজবা মতমদা মফোনগী শরুক খরা য়াওরগা পীজবা য়াই। মফোলগী শরুকসি শেম্বগী চাংসি মখাগী টেবলদা থমজরি ।

**টেবল ২ ঃ**

| মফোন শেম্বগী চাংশিং ঃ মফোনগী শরুক | চাং (কেজি) |
|---|---|
| চুজাক অকুপ্পা | ২৮ |
| চেঙকুপ/ৱাইকুপ | ২০ |
| ভীটামিন/মিনরেল মীকচর | ০.৫ |
| থুম | ০.৫ |
| | ৫০ |

পীজবা মতমদা মফোনশিংসি চোৎহল্লগা পীজবীগনি। মফোনশিংসিগা হৱাই চানা তিংলগা পূন্না ১:১ দা পীজবসু য়াই। নোংমদা মফোন অমদি চানা পূন্না পীজবগী মওংসি মখাগী টেবলদা থমজরি।

**টেবল ৩ ঃ মফোনগী শরুক পীজবা**

| থেবগী চহী (হাপ্তা) | নোংমদা থেবা অমদা পীজবগী চাং (গ্রাম) |
|---|---|
| ৪-৬ | ৩০-৪০ |
| ৭-৯ | ৫০-৬০ |
| ১০-১২ | ৭০-৮০ |
| থেবা মপী | ৮০-১০০ |
| গর্ভ লৈবা/মখোম পীথক্লিবা থেবা | ১০০-১৫০ |

থেবশিংসি ঈশিং মরাং কায়না পীথকপীগনি। নোংমদা ঈশিং হাপ্পগী পাত্রশিংসি অনীরক চামথোকপীরগা হাপ্পীগনি।

**মচা লৌবগী থেবা লাবা য়োকপা ঃ**

থেবা মচা লৌবা য়াবগী মতমসি থা ৫-৭ ফাওবনি অদুবু হেন্না অফবা মচা পুথোক্লবগীদমক্তা মখোয়না থা ৮ শুবা মতমদা লৌবনা হেন্না ফৈ। চহী নৌরিবা থেবনা মচা লৌবা মতমদা নুমিৎ ৩-৪ কান্নরগা লৌবীগনি অমদি চহী ১ ফারবা থেবনা হাপ্তা অমদা অমোম ৪-৫ ফাবা লৌবা য়াই। চহী ৬ কী মথক্তা লৈবা থেবশিংদি মখোয়গী সিমেন ক্বালিটি হন্থরকপনা মচা লৌবদা কানবা ফংদে। খঙজিনবীগদবা অমনা থেবা লাবা অনী মকোন্দা পূন্না থম্মীনরোইদবনি। মরমদি পুল্লপ থম্মীন্নরগদি খৎনবা/চীক্লবগী চাং য়াম্না ৱাংই।

**মচা লৌবগী অমোম থম্বা ঃ**

কেজি ২.৫-৪ ফাওবা লুম্বগী সাইজকী থেবশিংসি মখোয়না থা ৮-৯ ফাওবগী মনুংদা লৈরগদি মচা লৌবা য়ারে। চহী ৩ ফাওবদি থেবশিংসি মচা লৌনবা থম্বীবা য়াই।

**মচা লৌবগী মওং ঃ**

থেবা অমোমশিংদি মশাগী হীট সাইকল লৈতবনিনা মচা লৌরবা মতুং পুং ৯-১৩ ফাওবগী মনুংদা ওভুলেসন লাকই। লাবগা অমোমগা তোঙান তোঙান্না থম্বনিনা মচা লৌবা মতমদা অমোমনা লাবগী মকোন্দা থম্বীগনি। অমোমশিংসি হীট সাইকল লৈত্রগসু মখোয়না করিগুম্বা মতমদা মশা লৈতাদবা, মপান্থোংদু পোমখৎনা ঙাংতক্লা উরগদি মচা লৌবা য়াবগী মতম চপ চারে হায়না খঙগনি।

মচা লৌবা লোইরগা অমোমশিংদু মশাগী মকোন্দা অমুক থম্বীগনি। থেবগী গর্ভ পুবগী মতমসি নুমিৎ ৩০-৩২ নি। নীংশিংবীগদবা অমনা মচা লৌবদি অয়ূক্তা নৎত্রগা নুমিদাংৱাইরমদা লৌবীবনা হেন্না ফৈ।

**মচা পোকপা মতমদা লৌবীগদৌবা চেকশিন থৌরাংশিং ঃ**

থেবা মচা পোক্কদৌবা হাপ্তা অমা ৱাৎলিঙৈদা মকোন্দা বাগোশ নৎত্রগা চফু অচৌবা অমা থম্বীগনি। মচা পোক্লমদাইদা মখোয়না মশাগী মতুদু চিংথোক্লগা মকোন শেম্বগী ইন্সটিঙ্কসি লৈবনিনা মখোয়না মচা পোকপা মতমদা মতুনা পুময়োম য়োল্লগা মচাশিংদু থম্মী। মখোয় মচা অমুক পোকপদা মচা ৪-৬ ফাওবগী মনুংদা পোকই। পোকপা মতমদা মখোয়শিংসি মতু হৌদে, মমিৎ উদে। হাপ্তা অমা লৈরগা মতু হৌবা হৌরকই। পোকপদগী নুমিৎ ২০ লৈরগা মমিৎ উবা হৌরকই। থেবা মচাশিংসি হাপ্তা ৬-৮ ফাওবগী মনুংদা মখোম খাইদোকপীবা য়ারে। মখোম খায়বা মতমদসু মচাশিংদু মকোন্দা লৈহৌরগা মপী ওইনা মচাশিংদগী খাইদোকপীগনি।

**লাবা অমোম খন্দোকপা ঃ**

মখোম খায়বা নুমিৎতা লাবা অমোম খন্দোক্তুনা তোঙান তোঙান্না থম্বীগনি। থেবা মচাদু ময়াংলেন্দা খূৎনা পায়খৎপীরগা খুবাক্তা থম্বীগনি। অদুগা অতোপ্পা অমনা থেবগী মপান থোঙদা নমদুনা য়েংবীগনি। মসিদা লাবা ওইরগনা পেনিসতু থোক্লক্কনি অদুগা অমোম ওইরগনা ময়ায়দা খায়বা অমা থেংনবীগনি।

**থেবা লোজবগী কান্নবশিং ঃ**

(১) থেবশিংসি মচা য়াম্না পোক্কনবা, থুনা চাওগনবা, চাবগী মতুংইন্না হেন্না লুম্বা অমদি মচা হেক পোকপগা মচা অমুক লৌবা য়াবা শা মখলনি।

(২) থেবশিংসি মশানা নুমিদাংদা ফাইজবা অমাংবশিং অদু অমুক হন্না চাশিনবা ঙম্মী।

(৩) থেবা মশাসি পীকপা মরম্না পুথোক পুশিন তৌবদা অমদি থেবা লোইবগী মেনেজমেন্ট প্রেক্টিস লায়হল্লি। মখোয়না লৈনবা মকোন শাবদা পৈশা য়াম্না চঙদে অমদি অতোপ্পা শাশিংগা য়েংনবদা মচিঞ্জাক য়াম্না চঙদে।

(৪) যূমগী নুপী অঙাংশিংনা ইরায় লায়না লোয়বা য়াবা শা মখল অমসু ওইরি।

(৫) থেবগী মউনশিং অসিসু শান্নপোৎ শাবদা অমদি অতোপ্পা কোটেজ ইন্দষ্ট্রি তৌবদা য়াম্না কান্নে। মসিদসু নত্তনা মখোয়গী মতুনা ফিরোল কয়া শাবসু য়াহল্লি।

(৬) থেবগী অমাংবশিংসি হার ওইনা শীজিন্নবা য়াই।

(৭) থেবগী মীটসি চাবদা অথিংবা লৈতে। অতোপ্পা ষণ অমদি ওক্সী মীট চাবদদি অথিংবা লৈবা মফম কয়া অমা লৈ। নোংমদা মীওইবা অমনা চঙদ্রবা য়াদ্রবা প্রোটিনসি গ্রাম ৮০ নি অদুবু অয়াম্বনা ফংলিবা প্রোটিনসি গ্রাম ১৪-২০ ফাওবদনি। মরম অসিনা অৱাৎপা প্রোটিনশিংসি মেন-খৎনবা থেবা লোজবীদুনা শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা অৱাৎপা প্রোটিনসি পীনবা থেবা লোজবীয়ু হায়না থমজগে। ●

# ফৌদা তাগনবা লায়না তীলনাদগী ঙাকথোক্লবা পায়খৎপা য়াবা লৌউ কাঙলোন খরা - ১

ডো. ৱাইখোম জিতেন

ফৌদা/পাম্বীশিংদা তারিবা লায়না তীলনা খুদিংমক অসিবু হীদাক-লাংথক খক্তনা ঙাকথোক্কনি হায়না খল্লবদি মদু য়াম্না লানবা ৱাখলনি। ইশাগী লৌফমদা তারিবা লায়না অয়াম্বা ঐখোয়না লৌউ কাঙলোন চুম্না পায়খৎপীরবদি তাবগী চাং য়াম্না হন্থগনি। লায়না তীলনাদগী ঙাকথোক্লবগীদমক তঙাইফদনা হীদাক-লাংথক্কী মতেং য়াওদবা য়াদ্রবা মতম খক্তদা হীদাক শীজিন্নবীগদবনি। পাম্বীশিংদা লায়না লৈ হায়দুনা হীদাক কাপ্পীবা মতমদা মদুগী লেমহৌখাকশিং পাম্বী অদুদগী নৎত্রগা অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎতগী ঐখোয়গী চাকখাও য়ৌরকই। মরমশিং অসিনা অফবা অচুম্বা লৌউ-কাঙলোনশিং শীজিন্নবীদুনা লৌউ-শিংউবদা হীদাক-লাংথক শীজিন্নবগী চাং হন্থহন্নবা হোৎনবীগদবনি।

**কালেন খোইবাং :-** হৌখিবা চহীদা তাখিবা লায়না তীলনাশিংগী মরূ/মরূম/তীলশিং অসি লৌফমদা/লৌফমগী অকোয়বদা লোৎতুনা/শৈদাংফম লৌদুনা লৈ। মরম অদুনা লৌফম অদু মতম চানা খোইদোল্লবদি লায়নাগী মরূশিং (স্পোর) অদু নুংশাগী মৈশানা য়ৈবদা হাৎতোকই। অমরোমদা অমুক তীলনা কয়াগী হৌরকফম ওইরিবা তীলগী মরূমশিং/তীল মচা/মপিশিং লৈবাক মথক-মখা ওনবা মতমদা লৈমায়দা থোরকই, অসুম্না তৌবা অসিনা তীলশিং অসি উচেক্লা চাথোকহল্লি। নুংশাগী মৈশানা য়ৈবদা শিহল্লি। মসিদা নত্তনা লৈবাক মনুংদা লৈবা পাম্বী মরূ কয়াবু নুংশাগী মৈশানা য়ৈবদা কংদুনা মাঙহল্লি অমদি নাপি হীদাক শীজিন্নবগী চাং হন্থহনবা য়াই।

**অফবা চারা খনবা :-** ফৌদা তারিবা লায়না-তীলনা অসি মফম অমগা মফম অমগা মান্নদে। মরম অদুনা ইশানা লৈরিবা মফম অদুদা তোয়না তাগনবা লায়নাশিং খঙদোকপীগদবনি অমদি লায়নাশিং অসিনা চঙবা ঙমদবা/চঙবগী চাং হন্থবা ফৌগী মখলশিংতমক থানবা হোৎনবীগদবনি। ফৌদি ওইগদৌরিবা ফৌ অদু লায়না-তীলনা চেন্দবা অমদি মপূং ফানা হৈজিং ফাবা ফৌ ওইগদবনি। হৈজিৎ হৈগাই ওইবা ফৌদগী হৌবা ফৌ পাম্বীশিং লায়না-তীলনানা ইরায়-লায়না চঙবা ঙমই। মরম অসিনা মরূ চঙ-চঙ লাওবা লায়না-তীলনাগী মরূ/মরূম য়াওদবা ফৌতমক ফৌদি ওইনবগীদমক শীজিন্নবীগদবনি।

**লৌফম তরু-তনান্না থম্বা :-** লৌফম অমদা তারিবা লায়না তীলনা অয়াম্বা অসি ফৌনা হৌদ্রিঙৈ মতমদা লৌফমগী অকোয়বা কাচিন-কোয়াদা লোৎতুনা/শৈদাংফম লৌদুনা লৈ। অসুম্না লৈরুবা তীল-কাঙশিং অসি ফৌ হৌরক্লবা মতমদা মফম অদুদগী থোরক্তুনা ফৌ পাম্বীশিংদা লায়না তীলনা শন্দোকই। য়ারিবমখৈ লৌফমগী অকোয়বদা লৈবা অশোংবা মফমশিং শেংদোকপীগদবনি। য়াম্না চম্বা খুদম অমত্তং পঞ্জরবদা তীংথৌ মরাং কায়না হৌবা মফমদা উতোং শাৎপী হায়না খঙনবা ফৌগী ময়োল অদু তিলহৌ মনা শানা ইস্থোরকপগী লায়ওং অসি তোয়না থেংনগনি। মরমদি লায়ওং অসিবু থোকহল্লিবা তীল অসি ফৌ লৈতবা মতমদা তীংথৌদা শৈদাংফম লৌদুনা লৈ। মরম অদুনা ফৌদা উতোং শাৎলি হায়রিবা তীলনা অসি তাবগী চাং হন্থহন্নবগীদমক লৌফমগী অকোয়বদা তীংথৌ হৌহনবীরোদবনি।

অমরোমদা অমুক ফৌদা তোয়না তাগনবা লায়নাশিংগী মনুংদা ফৌখোক মুবী হায়না খঙনবা লায়না মখল অসি ফৌনা মাগী মতম লোইশিল্লক্লবা মতমদা মথং চহীগী ফৌ লোক্ত্রিবা ফাওবা লেনবা য়ানবা ফৌ পাম্বীগী মনুং থংবা শরুক্তা অমুবা মরূম-মরূম ওইদুনা লৈ। ঐখোয়না চরু নৎত্রগা চরুখোক অদু শেগায়দুনা য়েংবা মতমদা অসিগুম্বা থৌওং অসি থেংনবীগনি। মরম অদুনা ফৌ থানবগীদমক লৌফম নৈবিবা মতমদা লৌরি কাচিন্দা তাশিন্দুনা লৈরিবা অমোৎ-অকায়শিং অদু অকুংবা ঈলগুম্বা অমনা নিংথিনা কোৎথোকপীরগা বোরা অমদা হানজিনবীগদবনি অমদি মফম চাবা য়েংবীদুনা ফুমজিনবীখিগদবনি। মসি নত্তদুনা লৌরিবা থাঙ্গৎতুনা থম্বীবা তারবদি নোং চুরকপা মতমদা লৌপাক্তা অমুক য়ৌরক্কনি অমদি লায়না অমদি নাপী কয়াগী হৌরকফম ওইগনি।

অসুম্না অপিকপা অচম্বা খোঙথাংশিং অসি মতম চানা পায়খৎপীবনা লায়না-তীলনা কয়াদগী ঙাকথোকপদা অচৌবা মতেং ওইদুনা হীদাক-লাংথক শীজিন্নবগী চাং হন্থহনবা ঙমই। অসুম্না তৌবসিনা হীদাক লাংথক লৈবদা তিংগদবা শেল হন্থহল্লি অমদি ঐখোয়না চাগদৌরিবা চিঞ্জাক্তা হু য়াওবগী চাং হন্থহল্লি। ●


## MEDICAL JOB

Urgently required
**4 Exp. Lab. Technician**
Minimum 3 yrs with Comp. knowledge
**Omega Diagnostic Centre**
*Opp. ARIES RESTAURANT*
*URIPOK IMPHAL*
Contact : 8415945108
HL-P/7226/1,2,3,4,5,6,7

@1.80 % অপীকপা শেন্দোইদা @1.80 %
## সনা Bandhop লৌজরি

ঙসি মালেমগী ওইনা Corvid-19 না মরম ওইদুনা খম থেংনা ৱানারবা মতমসিদা মণিপুর মীয়ামগীদমক মতেং খরদং ওইরসু পাঙজবা ওইনা অপিকপা শেন্দোইদা সনা বন্দান লৌজরি।
- সনা সন 1 দা ₹ 7000 দগী ₹ 8000 ফাওবা লৌবা য়াগনি।
- শেন্দোইনা 100 দা 1.80% খক্তনি।
- করিগুম্বা অদোমগী হান্না অচৌবা শেন্দোইদা সনা Bandhop থম্বীখিবা লৈরবদি ঐখোয়না হন্দোকপিরগা, ঐখোয়গী অপীকপা শেন্দোইদা অমুক থম্বগী খুদোংচাবসু পীজরি।

@1.80 % Only.
*For details, Please contact,*
Govindajee Gold Mortgage,
2nd Floor, Imphal Diagnostic Centre Building,
Palace Compound, Govindajee Road,
Near Andro Parking, Imphal East
7085917479
HL-B/6250/4/7-28/7

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE REGISTRAR OF SOCIETIES : MANIPUR**
## NOTICE OF OBJECTION
**Imphal, the 3rd July, 2020**

**No.P/M/SR/2019 :** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from "All Manipur Health Services Doctors' Association" on 30th August, 2019 for registration under Section 4 (1) (2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of the Whole State of Manipur.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Association for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complaint/objections if not submitted during the mentioned period, the application for registration in the proposed name of Assn./NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deemed fit under Section 7 (1) (2) of MSR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **T. Pradwipkumar Singh**
Asst. Registrar of Societies, Manipur
HL-B/6251/4,5,6

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**MANIPUR SOCIETY FOR SKILL DEVELOPMENT**
South Babupara, Opposite 1st MR Ground, AFC Building, 2nd Floor, Imphal – 795001

**NOTICE**
Imphal, the 4th July, 2020

**SKILL MAPPING OF COVID-19 RETURNEES**

No.459/2020/MSSD: The Government of Manipur is conducting skill mapping of the COVID-19 returnees of the State through Manipur Society for Skill Development (MSSD) under Department of Labour & Employment.
2. COVID – 19 returnees can now register their skill data by visiting the web portal **www.mssd.in** from their personal computers, laptops, smart phones, etc.
3. The above collected skill data shall facilitate government policy making through discussions with key stakeholders.
4. The collected data shall be made available to any private establishment looking for engaging workforce, through a formal application to Mission Director, MSSD. For more details, please visit the website **www.mssd.in**.

**Sd/-** Kh Diana Devi, IAS
Mission Director, MSSD
Manipur
HL-B/6252/5,6

## Delta Advance School
Kwakeithel, Imphal (Affiliated to COHSEM)

Admission for Class XI (Sc. & Arts)
through Online/Offline for 2020-21 session

Due to the nCovid-19 Lockdown, the school has given an oportunity to the aspirants of Delta Advance School that

Admission fee will be FREE for 60% & above
Admission fee will be only Rs.1,000 for 45% & above but below 60%

This opportunity is for first 100 students only & ends on 20th June, 2020

For other benefits/facilities, kindly visit Office or website & submit the Original Admit Card for joining Full online Classes.
Website: deltaadvanceschool.com
HL-B/6219/17/6-16/7
Sd/- Principal

ADMISSION OPEN ADMISSION OPEN
## INTERNATIONAL MODERNISED ACADEMY
**(I.M.A.)** REGD. NO. 19 SEPT. 2001
NONGMEIBUNG PURANA RAJBARI
NEAR KUSUM OIL PUMP
(RECOGNISED BY COHSEM)

**ADMISSION OPEN FOR CLASS XI SC. OF 2020-21**

Direct Admission facilities for all candidates special facilities for 75% and above Class X Exam. of BOSEM
Prospectus & application form can be obtained from the school office during the office hour (10am - 2pm)
*For more details contact*
**9863015419 / 8729983208 / 9615269953**
HL-P/7187/25june to 24 july

## ONLINE CLASSES
## ENGLISH & RHYMES COURSES
CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/6186/21/5 to 21/6

## Inspire SCIENCE ACADEMY
*Affiliation No. 1/96/96-HSC (Vol.V) 25/03/2015*
*Kwakeithel Lamdong, Imphal West - 795001*
*Inspiring minds to Excel*

**ADMISSION OPEN FOR CLASS XI/SC. 2020-2021**
Students can apply for admission through ONLINE mode or School Office directly

Please visit at: www.inspirescac.com
Newly Open Subject : HOME SCIENCE

**ATTRACTIVE FEATURES**

**1. Toppers' Schorlarship 1st Top 10 Position Holder of HSLCE, 2020 (BOSEM).**
Admission Fee & Tuition Fee exemption, Free School Van Service, Free School Uniform, Book grant of Rs. 5000/-, a schorlarship of Rs. 5000/- per month and 2 times book grant (Class XI & XII).

**2. Rank Holders' Schorlarship of HSLCE 2020 (BOSEM), or equivalent Exam. 2020 (11th to 25th rank):**
Admission Fee & Tuition Fee exemption, Free School Van Service, Free School Uniform, a schorlarship of Rs. 3000/- per month and 2 times book grant (Class XI & XII).

**3. Freeship to 80% and above in HSLCE (BOSEM) or equivalent Exam. 2020 (First 50 students):**
Direct Admission, One Time Admission Fee exemption, Tuition Fee exemption for one academic year, Free School Uniform (1 time) or 1 time Book grant (Class XI).

**4. Honour for 75% & below 80% in HSLCE (BOSEM) or equivalent Exam. 2020 (First 50 students):**
Direct Admission on first come first serve basis with one time Free Uniform and Book grant (Class XI), 1st installment fee exemption

**5. Honour for 60% and below 75% in HSLCE or equivalent exam. 2020 (First 250 students):**
Direct Admission on First come First Serve basis with one time book grant (Clas XI), Free School Uniform (First 50 students).

**N.B. Special concession for last 35 Students on first come first serve basis.**
HL-P/7237/2,4,6